# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  কামজোং জিলাগী মোলহাম ভিলেজগী চীংশিংদা একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং রাজ্য পুলিসনা য়াম্থুৎতুনা মাংহনখ্রে।

২)  চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি, মী অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপস্ লেপত্রি।

অমসুং

৩)  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা চীফ সেক্রেটরিশিংগী মরিসুবা নেসনেল কনফরেন্স হৌদোক্লগনি।

------

পোপি (এল) ঃ  রাজ্য পুলিসনা চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌবা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থুৎতুনা মাংহনবগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি। কামজোং জিলাগী কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোলহাম ভিলেজগী চীংশিংদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং থা অসিগী ১২ দা য়াম্থুৎতুনা মাংহনখ্রে। পোপি পাম্বীশিং অদু চাউরাকা লম একর ১০ রোমদা থারম্বনি হায়রি। পোপি পাম্বীশিং অদু থারম্বদা চেন্নবা মীওই অনিসু পুলিসনা ফারে।

ড্রগ (এল) ঃ  সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সেনাপতিগী খাবুং কারোং মনাক্কী চিফাওদাই ভিলেজদা লৈবা য়ুম অমদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থবদা সাপোন কেপ

১৫০ দা হাপ্তুনা থল্লম্বা ব্রাউন সুগর ফারে। ব্রাউন সুগর অদুগী অরুম্বা সাপোন কেপশিং অদু য়াওরগা কিলোগ্রাম ৫ গ্রাম ৮০০ রোম ওইগনি হায়রি। পোৎলমশিং অসিগা লোয়ননা মীওই মরি ফাগৎলে। মখোয়গী মথক্তা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথরি হায়রি।

এরেষ্ট (এল) ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী লৈজাং ভিলেজদগী কে.এন.এফকী কেদর অমা য়াওনা অরানবা তৌবা মীওই মরি ফারে। মখোয়দগী ম্যান্মারনা শাবা এম.এ-ৱান এম.কে. এসোল্ট রাইফল অমা, এয়ার গন অমা, নোংমৈ মরু ৪০ অমসুং রেজিষ্ট্রেসন য়াওদবা কার অমা ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ঙরাং বমদিয়ার অৱাং লৈকাইদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। মহাকা হায়দোরকপদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা মেগজিন অমা য়াওবা এস.এল.আর রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, পম্প এক্সন গন অমা, তুমবা বেগ অহুম, লুপ অসিগী বেজ ৪০ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাও খুনৌদগীসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা এম.এ-ফোর এসোল্ট রাইফল অমা, তুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মঙা, দিটোনেতর ২ য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

আর্মি (এল) ঃ  সেনাপতিদগী মহৈরোই অনি হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৯ দা পাঙথোকখিবা এস.এস.সি, সি.জি.এল একজামিনেসন মায় পাক্লক্লে হায়রি। দিফেন্সকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লান্মীগী কাংবুনা নিংথিনা লমজিং লমতাকপীবদগী মহৈরোই অনি অদুনা পরিক্ষা অসি পাস তৌরকখিবনি।

মৈ (এল) ঃ থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি. কৈশামপাৎ সব-ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিৎযুংবা পুং ১২ মখায় ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি। এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমদা হায়- সব-ষ্টেসন অসিনা কোনবা মফমশিংদা মৈ শেমগদবা মরমনা হায়রিবা মতম অসিদা পাউনা বজার, ৱাহেংবম লৈকাই, শগোলবন্দ, তিদিম অমসুং কৈশামথোংনচিংবা মফমশিংদা মৈ মুৎকনি।

হোর্তিকলচর (এল) ঃ দিষ্ট্রিক্ট হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন চান্দেলনা শিন্দুনা চীফ মিনিষ্টরস ইনিসিয়েতিভ ফোর লাইভলিহুদ রিভাইভেল ওফ অনইমপ্লোইদ য়ুথস এন্দ ফারমর্স এন্দ এম.আই.দি.ঐচ ফার্ষ্ট ইন্সটোলমেন্ট স্কিমগী মখাদা চান্দেল জিলাগী লৌমীশিংদা নিংথিম মরু মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে। চান্দেল দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা হোর্তিকলচরগী ওফিসতা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার মোহমদ ফিরোজ খান য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল) ঃ দ ইসু ওফ ড্রগ এব্যুস এন্দ দিএদিক্সন স্কিম এন্দ পোলিসিজ ইন দ ষ্টেট হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং থৌবাল মোইজিংদা লৈবা মদ্রাসা উসমানিয়াদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি থৌবাল অমদি লিগেল এইদ ক্লিনিক কিয়াম লৈতানপোক অনিনা খুৎশমদুনা শিনবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা চীফ সেক্রেটরিশিংগী মরিসুবা নেসনেল কনফরেন্স হৌদোক্লগনি। নুমিৎ নিনি চথ্নগদবা মীফম অসিনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎহনবদা মতেং ওইনবা পান্দম থল্লি।

মীফম অসিগী মরুওইবা হিরমদি- প্রমোতিং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ স্কিল্লিং- লেবরেজিং দ দেমোগ্রাফিক দিভিদেন্ট হায়বসিনি। মেন্যুফেকচরিং, সার্ভিসেস, রিন্যুএবল ইনর্জি, সারকুলর ইকোনোমি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ৱাফম কয়া মীফম অসিদা খন্নগনি। ফ্রন্তিয়ার টেকোলোজি ফোর বিক্সিত ভারত, শেল থুমগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক সহরশিংবু শেমগৎপা, মিসন কর্ম্মা যোগিগী মখাদা কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং ইনভেষ্টমেন্টতা রাজ্যশিংদা ইকোনোমিক রিফোর্মস পুরকবা হোৎনবগী মতাংদা অখন্নবা সেসনশিংসু পাঙথোক্কনি।

যুএন ঃ সরকারনা হায়রি- ভারতপু য়ুনাইতেদ নেসন্স সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

লোক সভাদা ৱাহং অমগী ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী রাজ্য মন্ত্রি কিরতি বরধন সিংহনা হায়- য়ুনাইতেদ নেসন্স সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইনবগী মতাংদা ভারতনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা, লৈবাক অনিগী ওইবা থাক্তা অমসুং লৈবাক ময়ামগী অপুনবা থাক্তা ৱারী শান্নদুনা কন্না হোৎনরি। মহাকা হায়- মশিং য়াম্লবা লৈবাকশিংনা ভারতপু য়ুনাইতেদ নেসন্স সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী পার্মেনেন্ট মেম্বর ওইহন্নবা হোৎনবদা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোরক্লে।

হাইৱে ঃ নেসনেল হাইৱেজ ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (এন.ঐচ.এ.আই)না হাইৱেশিংদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবগীদমক রাজ মাগ শাথি কৌবা অনৌবা রুট পেত্রোল্লিং ভেহিকল শিজিন্ননবা থৌরাং তৌরি।

রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রালয়না হায়- রুট পেত্রোল্লিং ভেহিকল অসিনা নেসনেল হাইৱেশিংদা মাংজোননা য়েংশিনদুনা অয়েৎ অপন থোরকপা য়াবা খুদিংমক খঙদোক্তুনা লাকশিন্নবা থবক পায়খৎকনি। অথু অকায়গী ওইনা খুদক্তা থবক পায়খৎপা য়ানবগীদমক গাড়ি অসিদা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী কেমেরানচিংবা য়াওরি। মসিগী মথক্তা মতমগা চুনরবা ঈ-পাউ

ফাওনবা অমসুং অৱা অনাশিংদগী ঙাকথোকবা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু গাড়ি অসিদা য়াওরি।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মাওইষ্ট অনি শিরে। বিজাপুর জিলাগী বসাগুরা এরিয়াদা সি.আর.পি.এফকী কোব্রা বত্তাল্লিয়ন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু মফম অদুদা লৈবা নেনদ্রা উমংদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদা মাওইষ্ট অনি শিখি, মফম অদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিভেল হৌদোকখিবা, আম আদমি পার্তিগী এম.পি. শঞ্জয় সিংহনা মণিপুরগী ৱাথোক খন্ননবা রাজ্য সভাদা পুখৎখিবা অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা অমদি পোপি পান্বী পাক শন্না য়াম্থৎপগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিভেল হৌখ্রে, অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরক্লিবশিং কনানো হায়বদু য়েলহৌমীশিংনা খঙমিন্নশি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা পাউ ওইরি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল অমসুং মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন অমসুং হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসন, সনালৈবাক পাউচেশিংদনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- সরকারনা য়েলহৌমীশিংগী হক, ইজ্জৎ, লমগী ওথোরিতি, সাসনগী ওথোরিতি অমদি কন্সটিট্যুসনগী প্রোটেক্সন ফংদ্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি। চদোংবু তুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনবা হোৎনবদা লৌখিবা

থৌদাং অমসুং সেক্রিফাইস অদুগীদমক্তা থাগৎলি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পার্লিয়ামেন্ট বিজিনেস খুদিংমক সস্পেন্দ তৌদুনা মণিপুরগী ইসু খন্নগদবনি হায়না আম আদমি পার্তিগী রাজ্য সভাগী এম.পি শঞ্জয় সিংহনা হাউসতা থমখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী কেদর অমা ফারে, খুৎশু খুৎলায়শিং ফংলে। নোংমৈগা কোন্ননা ফাবা মীওই মরিগী মনুংদা কে.এন.এফ অমা য়াওরল্লে অমসুং খমাসোম চীংশাংদা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থুৎখ্রে, লৌশঙ ৮ মৈ থাদোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সি.আর.পি.এফ হাৎপদা চেন্নবা কুকি লালহৌবা থোংমিনথাং এন.আই.এনা মখা তানা জ্যুদিসিয়েল রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা পাউনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর সরকারনা হৌখিবা চহি মঙা অসিদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেমদগী লুপা কোতি ১৩ লাখ ৩০ গী রেভিন্যু খোমগৎলে হায়বা পাউনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কামজোং জিলাগী চদোংদা মণিপুর য়ুনাইতেদ বাই দাইভর্সিতি হায়বা থিমদা পাঙথোকপা ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিভেলদা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না রাজ্য অসিগী দাইভর্সিতিগী মরুওইবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসতা ফোংলি।

মণিপুর সরকারনা রাজ্য অসিগী য়েলহৌমীশিংগী হক অমসুং ইকায় খুমবা ঙাকবা কন্না হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইরে।

মালেমগী ওইনা ওপিয়ম অমসুং হেরোইন পুথোকপদা ম্যান্মারনা মকোক্তা লৈরি হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------